**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিদগী খ্বাইদগী শোত্থবা জিলাশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা তমেংলোং জিলানা হৌজিক খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লিবা অসি অতৈ জিলাশিংনা তমজনিঙাইনি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালদা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক অমা যাত্রা হুনগনি।

৩) ষ্টেট সার্ভিলেন্স ওফিসার ডাঃ সনসম গোপাল সিংহনা হায়রি-মণিপুরদা শাদগী মীদা শন্দোকপা লায়নাশিং থেংনবদা মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে।

৪) জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ গেটতা বোম থমজিল্লম্ববু মহৈরোইশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) যুব আপদা মিত্র স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিগী ভোলুন্তিয়ার লাখ ২ লিশিং ৩৭ হেন্না ত্রেনিং পীগদৌরি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিদগী খ্বাইদগী শোত্থবা জিলাশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা তমেংলোং জিলানা হৌজিক খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লিবা অসি অতৈ জিলাশিংনা তমজনিঙাইনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- জিলা অসি শিংনবা কয়াদগী চাওখৎ লম্বীরোমদা চংশিল্লক্লি। এন.দি.এনা লুচিংবা বি.জে.পি সরকারগী মখাদা জিলা অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎলি। থবকশিং অদুগী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বিল্ডিং, এফ.সি.আই. গোদাউন, ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল, এন.এল.সি.পি.আরগী মখাদা পায়খৎপা তমেংলোং ৱাটর সপ্লাই স্কিম, নেচরেল ফুটবোল গ্রাউন্দ, খোংসাং-তমেংলোং নেসনেল হাইৱে-১৩৭, কোল্ড ষ্টোরেজ অমসুং ১৩৩-৩২ কে.ভি. সবষ্টেসন প্রোজেক্ট শাবা লোইশিনখ্রে। মসিগী মথক্তা সভেন এ-সাইদ সিন্থেতিক ফুটবোল টর্ফ শাবা লোইদুনা শঙ্গানবা থৌরাং তৌরি। তমেংলোং-মাহুর অমসুং ইম্ফাল-কাংচুপ-তমেংলোং লম্বী শেমজিনবগী থবক চখরি। মসিগী মথক্তা তমেংলোং কলেজগী সাইন্স ব্লোক অমসুং কনভেন্সন হোল শেমগৎ শাগৎপগী থবক চখরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সভেন এ-সাইদ সিন্থেতিক ফুটবোল টর্ফ অসি শঙ্গাদুনা অথুবা মতমদা মীয়ামদা খুৎশিন্নরগনি। মসিনা জিলা অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংবু পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনবগী লমদা হৈথোই শিংথোইবশিং শেমগৎপগী খুদোংচাবা লৈরগনি। শ্রী বিরেন্না হায়- তমেংলোংদা পায়খৎলিবা কনভেনসন হোল প্রোজেক্ট শেমগৎ শাগৎপগী থবক খুমাং য়াংনা চংশিল্লি। হোল অসি শাবা লোইরবা মতুং কলা সংস্কৃতি অমসুং জাতি পুমমক্কী মফম অমা ওইরগনি।

ইনোগুরেসন (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি আয়ুসমান ভারত হেলথ ইনফ্রাষ্ট্রকচর মিসন (পি.এম-এ.ভিম)গী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক অমা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুখাংদা যাত্রা হুনগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা নিউ দিল্লিদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ আয়ুরবেদ (এ.আই.আই.এ)দা পাঙথোকপা ৯ শুবা আয়ুরবেদ নুমিৎতা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালদা শাবা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক য়াওনা তোঙান তোঙানবা

হেলথ ইনফ্রাষ্টকচর খরগী শঙ্গাগনি খরনা যাত্রা হুনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা থৌরম মফম অদুদা হেক থুংবগা এ.আই.আই.এগী কেম্পসতা চত্তুনা য়েংশিনগনি অমদি মফম অদুদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা আয়ুরবেদগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই অহুমদা নেসনেল ধনৱান্ত্রি আয়ুরবেদ খুৎশিন্নগনি। মদুগী তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা আয়ুস মন্ত্রালয়, হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়, দিপার্টমেন্ট ওফ ফারমাসিউতিকেল অমদি ইমপ্লোয়িজ ষ্টেট ইন্সুরেন্স কোর্পোরেসনগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং যাত্রা হুনগনি অমসুং শঙ্গাগনি। মসিগী তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা বেনিফিসরিশিংদা আয়ুসমান কার্দ খুৎশিন্নগনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি জগৎ প্রকাশ নদ্দা, লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি ডাঃ মন্সুখ মন্দাভিয়া, লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি সোভা করন লাজে, হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী রাজ্য মন্ত্রি অনুপ্রিয়া পাতেল, আয়ুসকী রাজ্য মন্ত্রি প্রতাপ গনপট রাও যাদব শরুক য়াগনি।

মণিপুরগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেস মণিপুর অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মণিপুরনা শিনবা  মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন সিংহ শরুক য়াগনি।

রিলিফ (এল)ঃ   রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামা শাজবা পোথোকশিং সরকারনা দিৱালি অমদি নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈ মমাংদা লৌশিনবীয়ু হায়না রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংনা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

মখোয়না শাজবা পোৎলমশিং রাজ্য সরকারনা লৌশিনদুনা য়োনবীগনি হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি। অমরোমদা, নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্মৈগী মাংওইননা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিং পায়খৎলগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা লৈখ্রবনি। মসিগী মতাংদা পাউদম অমা-

--ভোইস কাষ্ট-- প্রেমচান্দ

মৈ (এল)ঃ এম.এস.পি.দি.সি.এলনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বিষ্ণুপুর দিভিজনদগী মীওই অনি ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন ৱানদগী মীওই ৬, ইম্ফাল ইলেক্ট্রিকেল দিভিজন থ্রিদগী মীওই ৩ পুন্না মীওই ১১ মৈ হুরাল্লগা থালম্বগীদমক ফারে। মসিগী মথক্তা মৈগী খাজনা থিরমদবা কঞ্জুমর ১২ গী মৈ ককথৎলে হায়রি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড জ্নোসেস ডেগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নুংগোই অৱাং লৈকাইদা কম্ম্যুনিতি হোলদা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। সি.এম.ও ইম্ফাল ইষ্টকা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট সার্ভিলেন্স ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট, মোধু অমসুং সনাহনবী মেমোরিয়েল ট্রষ্ট পৌরাবী অমদি ভিলেজ দিভলপমেন্ট কমিতি নুংগোই অৱাং লৈকাইগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দক্রাফট দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী চেয়ারমেন কে.ঐচ. ইবোমচা, রাজ্য সরকারগী ষ্টেট সার্ভিলেন্স ওফিসার ডাঃ সনসম গোপাল সিংহ, সি.এম.ও ইম্ফাল ইষ্ট ডাঃ এল. ইন্দিরা, শওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়ট এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী চেয়ারপার্স এন. ধনেশ্বর সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী ৱারোল পীরদুনা এম.এল.এ- ইবোমচানা হায়- লমদম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না শোইরিবা অসি থকশি খাশি লৈরক্তবা অসিদগীনি। লমদম অসিদা মমা মপাশিংবু ওল্ড এজ হোমদা থম্বগী চৎনবী অমা লাক্লিবা অসি নুংঙাইতবা পোকই।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাঃ সনসম গোপাল সিংহনা হায়- ৱার্ল্ড জ্নোসেস ডে অসি চহি খুদিংগী জ্লাই ৬ তা পাঙথোকৈ। মহাকা হায়- মণিপুরগী ওইনা হন্দক্কী চহি অসিদা মীওই ৯ হুইনা চিকপদগী লৈখিদ্রে। শিরিবা মীওইশিং অসিগী চাদা ৮০ দি হুইবু ঙাক্তনি হায়রি।

মহাকা হায়- শাদগী মীদা শন্দোকপা লায়নাশিং থেংনবদা মীয়ামগী মতেং য়ামমক তঙাইফদে। ডাঃ গোপালনা হায়- স্ক্রপ তাইফস নারবা মীওই অমবু লাই তোংবা মানবা লাইওং লৈবদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মাইবা মাইবী তান্নদুনা লায়েংলিঙেদা মমল য়ান্নবা পুন্সি কয়া মাংখিবা লৈরে। মরম অদুনা স্ক্রপ

তাইফসকী চিংনবা লৈরবদি ডোক্তরশিংগা তান্নদুনা অথুবা মতমদা লায়েংগদবনি।

হেলথ(এল)ঃ অরবান প্রাইমারি হেলথ সেন্তর শগোলবন্দ অমসুং শগোলবন্দ কন্সটিটুয়েন্সি প্রোগ্রেসিভ কমিতিনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা তখেল্লম্বম লৈকাই য়ুথ ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ- আর.কে. ইমোগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবা হেলথ কেম্প অদুদা কেন্সর স্ক্রিনিং তৌবা, লেবোরেটরি টেষ্ট, ইম্মুনাইজেসন, মেলেরিয়া অমসুং দেঙ্গিগী টেষ্ট তৌবা, আভা নম্বর শেন্নবনচিংবা পাঙথোকখি।

লাইব্রেরি (এল)ঃ লাইব্রেরি ইন হায়র ইজ্কেসন ভিস এ ভিস এন.ই.পি ২০২০ হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ কলেজদা পাঙথোকখ্রে। কলেজ অসিগী লাইব্রেরি কমিতি, ষ্টেতিষ্টিক্স দিপার্টমেন্ট, জিওগ্রাফি দিপার্টমেন্ট অমসুং আই.কিউ.এ.সিনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টসু ওইরিবা লাইব্রেরিয়ান ইনচার্জ প্রোফেসার সি.ঐচ. ইবোহল সিংহনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ এল. বসন্তি দেবী, ওজাশিং, নোন-তিচিং ষ্টাফ অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

জিপি (এল)ঃ ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী গেটতা বোম থমজিল্লম্ববু কলেজ অসিগী মহৈরোইশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না সুও মোটো কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়- কলেজ অসিগী গেটতা থল্লম্বা বোম অদু অয়ুক্কী পুং ৫ মখায় হেল্লকপা অদুৱাইদা লৌখৎতুনা লমফেলগী মফম অমদা অশোই অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে। পাউ অদনা মখা তানা হায়- সি.সি. টি.ভি কেমেরাগী

ফুটেজ মতুংইন্না বোম অদু মমায় মমিৎ খুমজিনবা মীওই অমনা থমজিল্লম্বনি হায়বা মীওই অমনা থমজিল্লম্বনি হায়বা খঙবা ঙমলে। মখা তানা থিজিনদুনা চেন্নবশিং ফানবা থৌরাংশিং লৌখৎলে। থৌদোক অদুগী মায়োক্তা মহৈরোইশিংনা কলেজ মমাংদা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমদুনা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা মহৈ তম্ফমশঙশিংদা অকি অখঙ পীবীগনু, ইজ্কেসন ফ্রি জোন ওইহনবীয়ু হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

কৈবুল (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈবুল লমজাও নেসনেল পার্কতা ঙসি পার্ক অসিগী ষ্টাফশিংনা অয়ুক অঙনবদা আইন কাইনা উচেক ফাবা অমদি লাং থাকপা থিজিনখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফম অহুম-চিংমৈ নাতাল, কৈরেনফাবী অমসুং থাঙ্গা লৱাইদা চথখিবা খোঙজং অদুদা উচেক অমদি লাং কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

ঐখোয়গী বিষ্ণুপুর পাডমী আর.কে.মনিপুরশনানা ওফিসিএলশিংগী পাউ পল্লদুনা হায়-খোঙজং অদুদা লাংদা থুদুনা শিরম্বা উচেক ১৬ থেংনখি। মদুগী মনুংদা চোংখু, লম খুনু, মকু, উপরোই, চরোই, শেম্ব্রাং, শেকপী অমসুং হোঙাই য়াওরি। অহিংবা চোংখু অমা অমসুং উরোক লম্প্রাই অমশু থেংনদুনা কনখি। তুংদা, অহিংবা উচেক অনি অদু ওফিসিএলশিংনা পাউমীশিংগী মাংদা পার্ক অদুদা থাদোকখি। ঙসিগী খোঙজং অদু রেঞ্জ ওফিসর ৱাইখোম থেমচন্দ্রনা লূচিংখি। নুপী ৬ য়াওনা পুন্না ষ্টাফ ৩৫ না খোঙজং অদুদা শরুক য়াখি।

গ্রুপ (এল)ঃ থৌনাউজম চাউবা মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্টনা শিন্দুনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংদা শেন্থং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাউজম রোমেননা হায়-নুপীশিংদা শক্তি পীবগী শরুক অমা ওইনা মখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংহখৎহন্নবগী পান্দমদা নুপীশিংতগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১৪ দা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা শেন্থংশিং য়েন্থোকপনি।

গার্দ (এল)ঃ মণিপুর হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং মীয়ামদা খঙহন্নবগী পান্দমদা ইং ২০২৫ গী ৱাল কেলেন্দর ফোংখ্রে। মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী মখাদা কেলেন্দর অদু ঙরাং লুৱাংশংবমদা লৈবা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিগী য়ুমদা ফোংখি। লোয়ননা, রাজ্য সরকারনা হোম গার্দশিংগী পীফম থোকপশিং মতম চানা পীথোকপীয়ু হায়না এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা অপিল তৌখি।

ৱাইকে (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ৱাংজিংদা লৈবা ৱাই.কে. কলেজ লিংখৎখিবগী ৫২ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি কলেজ অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। কলেজ অসিবু লিংখৎলম্বা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা অমসুং মহৈরোইশিংনা পাঙথোকপা নাৎকী জগোই ঈশৈ উৎপনা থৌরমদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

য়ুনিয়ন (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কমিতিনা হায়রি- মণিপুরগী অশেংবা ঙমখৈগী লম খঙবশিংগী অয়াবা য়াওদনা ভারত-ম্যান্মার বোর্দর ফেন্সিং তৌবা য়ারোই। চেরোল অমদা য়ুনিয়ন অসিনা হায়- হৌজিক ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবক চথুরিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি।

স্কিম ঃ য়ুব আপদা মিত্র স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিগী ভোলুন্তিয়ার লাখ ২ লিশিং ৩৭ হেন্না ত্রেনিং পীগদৌরি। স্কিম অসিগী মখাদা এন.সি.সি, নেহরু য়ুব কেন্দ্র সঙ্গথন, এন.এস.এস অমসুং ভারত স্কাউটস অমসুং গাইদসকী ভোলুন্তিয়ারশিং ত্রেনিং পীগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি শেমখিবগী ২০ সুবা কুমওন থৌরমদা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি গোবিন্দ মোহন্না স্কিম অসি হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিনা ভোলুন্তিয়ারশিংবু মহৌশানা থোক্লকপা খুদোংথিবশিং থেংননবগীদমক্তা নহাশিংবু ত্রেনিং পীগদৌরি।

থৌরম অদুদা শ্রী গোবিন্দ মোহন্না হায়- যুব আপদা মিত্র স্কিমগী মখাদা নুপীশিং চাদা ৫০ ত্রেনিং পীনবা পান্দম থল্লি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মঙলান অৱা অনা খুদোংথিবা থোক্লকপা মতমদা খুনাইগী মীয়ামা হকথেংননা থেংনবা অহানবা কাংবু ওইহনবা হায়বা অদুগা চুননা হৌদোকপনি। স্কিম অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী খুদোংথিবা থোকনবা জিলা ৩১৫ দা পায়খৎকনি। চহি অসিগী জ্লাই থাদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্না স্কিম অসি চৎনহন্নবা প্রস্তাব তৌরকখিবা অদু অয়াবা পীখিবনি। স্কিম অসিগীদমক এন.দি.আর.এফতগী লুপা কোতি ৪৭০ খাক্তুনা থম্লে।

রোজগার ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা নৌনা থবক খল্লবা মীওই লিশিং ৫১ হেনবদা এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টর য়েন্থোক্লগনি। রোজগার মেলা অসি লৈবাক্কী মফম ৪০ দা পাঙথোক্কনি। মসিনা নহাশিংবু শক্তি পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসি শেমগৎপদা মখোয়বু শরুক য়াহন্নবনি। নৌনা খল্লবা নহাশিং অসিনা করমা যোগি প্ররম্ভগী খুত্থাংদা ত্রেনিং তৌবগী খুদোংচাবসু ফংলগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ি নরেন্দ্র মোদি অমসুং স্পেনগী প্রধান মন্ত্রি পেদ্রো সনচেজনা ঙসি পুন্না গুজরাতকী বদোদরাদা লান্মীগী প্লেন সি-তু নাইন ফাইভ শানবা টাটা ইয়ারক্রাফ কমপ্লেক্স শঙ্গাখ্রে। মসি প্রাইভেট সেক্তরদা অহানবা ওইনা ভারত্তা মিলিটরি এয়ারক্রাফট শানবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- হৌখিবা চহি মঙা অসিদা ভারত্তা দিফেন্সকী ষ্টার্টঅপ লিশিং অমা হেন্না থোরক্লে। মহাকা হায়- লৈবাক অসিনা মপান লমদা ঙাকশেলগী পোত্থোক য়োনবগী চাং হৌখিবা চহি তরা অসিদা শরুক ৩০ হেনগৎলে। মহাকা হায়- ভারত্তা শাবা ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায় মালেমগী লৈবাক ১০০ হেনবদা য়োনবা ঙমলে। শ্রী মোদিনা হায়- বদোদরাগী অনৌবা ফেসিলিতি অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংবু স্কিল অমসুং টেকোলোজিগী লমদা হেন্না খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা মীওই লিশিং কয়া থবক পীবা ঙম্লগনি। মালেমগী ওইনা সিভিলিয়ান এয়ারক্রাফটশিং ভারত্তা ইকুই

কুইদনা শাবা ঙম্লগনি অমদি মসিদা এম.এস.এম.ইনা চাউরবা থৌদাং লৌগনি।

থৌরম অদুদা ৰা ঙাংবদা স্পেনগী প্রধান মন্ত্রি পেদ্রো সনচেজনা হায়-এয়ারবস অমসুং টাটাগী পার্টনরসিপনা ইন্দিয়ান এরো স্পেচ ইন্দষ্ট্রি হেন্না চাওখৎহানবদা মতেং পাংবগা লোয়ননা অতৈ য়ুরোপিয়ান কম্পনিশিং চংলকবগী থোঙ হাংলগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

কাং (এল)ঃ মনিপুর কাং এসোসিয়েসননা শিনদুনা ৰাবগাই অৰাং লৈকাইদা লৈবা ৰালিদা কাংশঙদা চত্থরিবা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ (কে.সি.এস.আই-সি.বি.ই) মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট ওপন কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- লাকো খোঙহামপাৎ অমসুং হোক হিয়াংলম-ৰাবগাই পাঞ্জল ৯-৯ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দুনা চত্থরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ফাইনেলদা খোংজোন য়ুথ ক্লব অমসুং জিওন্টলাং এস.ৰাই.সি থেংনরগনি। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা খোংজোন য়ুথ ক্লবনা জাফৌ য়ুথ ক্লবপু পাঞ্জল ৩-২ দা অমসুং জিওন্টলাং এস.ৰাই.সিনা সাসাবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দি.এস.এ চান্দেলনা শিন্দ্না জিওন্টলাং গ্রাউন্দদা চত্থরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবদা মহামনি য়ুথ ক্লবনা জাফৌ বজার য়ুথ ক্লবপু পেনালতিদা পাঞ্জল ৫-৩ দা, লম্থুং ৰাই.সি.সিনা চুম্বাই এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ খা মণিপুর কলেজনা শিন্দুনা হৌজিক চত্থরিবা এ. প্রতাপ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসিগী

মেটচশিংদা কে.পি. কলেজনা মোইরাং কলেজবু পাঞ্জল ৩-৪ দা, রিজনেল কলেজনা ষ্টেন্দর্দ কলেজবু পাঞ্জল ৩-০ দা, ককচিং খুনৌ কলেজনা লিলোং

হাওরৈবী কলেজবু পাঞ্জল ৪-৩ অমসং মঙ্গোলঙানবী কলেজনা ৱাই.কে. কলেজবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

হোক্কি (এল)ঃ খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চখুরিবা অহানবা মাষ্টর হোক্কি তুরনামেন্টকী নুপাগীদা মৈরা বাসিখোংনা টি.ঐচ.ঐচ.এবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমসুং সেয়োনা টি.দব্লিউ.সিবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি। নুপীগী মেটচতনা মৈরানা ৱাই.সি.সি.আই.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

বোদি (এল)ঃ মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ১৪ রক শুবা মিষ্টর কংলৈপাক ২০২৪ ঙরাং জি.এম. হোল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অদুদা প্রভাবতি ফিটনেস সেন্তর ৱাংখৈনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। কে.বি.বি জিম তেরা শাপম লৈরকনা রন্নরসঅপ তাখ্রে।

য়ুনাকো (এল)ঃ চেন্নাইদা নবেম্বর ৪ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৪ শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র মেন্স নেসনেল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী সেনিয়র হোক্কি টিমদা য়ুনাকো গ্রুপনা লুপা লাখ ১ গী মতেং পীখ্রে। শেলগী মতেং অদু য়ুনাকোগী মেনেজিং দাইরেক্তর নিংঙোম্বম ইরাবন্তনা মণিপুর হোক্কি টিমগী হেদ কোচ রিনাস অমসুং শান্নরোইশিংদা খুৎশিন্নখি।

------

--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিদগী খ্বাইদগী শোত্খবা জিলাশিংগী মনুংদা অমা ওইরম্বা তমেংলোং জিলানা হৌজিক খুমাং য়াংনা চাউখৎলক্লিবা অসি অতৈ জিলাশিংনা তমজনিঙাইনি।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালদা ক্রিতিকেল কেয়ার ব্লোক শঙ্গারগনি।

৩) ষ্টেট সার্ভিলেন্স ওফিসার ডাঃ সনসম গোপাল সিংহনা হায়রি-মণিপুরদা শাদগী মীদা শন্দোকপা লায়নাশিং থেংনবদা মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে।

৪) জি.পি. ৱিমেন্স কলেজ গেটতা বোম থমজিল্লম্ববু মহৈরোইশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) যুব আপদা মিত্র স্কিমগী মখাদা লৈবাক অসিগী ভোলুন্তিয়ার লাখ ২ লিশিং ৩৭ হেন্না ত্রেনিং পীগদৌরি।

--- পাউ লোইজরে---